ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

নেসনল হেল্থ মিসন অমদি দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা মীদিয়া সেন্সিটাই-জেসন ৱার্কশোপ

লামায় ১

বোসেমনা লৌবা চহীসিগী হায় স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট এগজামিনেসনদা মায় পাক্লকখ্রবা অফবা মহৈরোয়শিংবু বি জে পি খাঙবোক মন্দলনা তরাম্না ওকখিবগী থৌরম

লামায় ৩

লাইনিংহল লুখোল মঙাংনা খোমজিন্দুনা থম্লম্বা পুয়া লাইরিকশিংদগী মৈতৈ ময়েক্তা তোঙান-তোঙানবা অইবশিংনা ইথোকপা লাইরিক মঙা ফোঙখিবা

লামায় ৬

নেসনল হেল্থ মিসনগী মখাদা থবক তৌরিবা আয়ুস দোক্তরশিংনা মখোয়গী তোলোব এলোপেথি দোক্তরশিংগা মান্ননা পীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No.091 | ইরাই, ইঙেনগী ৫/৬নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ৮ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, June 26, 2020, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

### এন পি পিগী এম এল এ ৪ ইম্ফালদা হেক থুংলবগা গভর্ণর উনদুনা লৈঙাক্তা অমুক হন্না শৌগৎপগী চেরোল পীশিনখ্রে

## লৈঙাক অসিদা মখা তানা শৌগৎলগনি, এম এল এ ৪সু মিনিষ্টর ওইনা লৈগনি : কোনরাদ

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : ষ্টেটসিদা পাল্লিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তা মিনিষ্টর ওইবদগী ফম থাদোক্লগা এস পি এফ শেন্দ্বদা শৌগৎলুরবা এন পি পিগী এম এল এ ৪ দিল্লিদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দা উনরুরবা মতুং ঙসি ইম্ফালদা হেক থোক্লকপগা গভর্ণর উনদুনা লৈঙাক অসিদা মখা তানা শৌগৎলগনি হায়বগী লেট্টর ওফ সপোর্ট চেরোল পীশিনখ্রে।

ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুংদা নেদাগী কনভিনর ওইরিবা অসামগী ফাইনান্স মিনিষ্টর হিমন্ত বিশ্বা অমদি এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট কোনরাদ সংমাগা লোয়নননা স্পেসল ফ্লাইটতা এন পি পিগী এম এল এ ৪গা লোয়নননা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবা মতমদা পাউমীশিংগা উনবদা এন পি পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ফোঙদোকখিবদা, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট নাদ্দা অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহগা ঙরাং দিল্লিদা য়াম্না কুপ্না ৱারী শানখ্রে। এন পি পি মণিপুরগী এম এল এ ৪ মথংশিংনা, য়ুম্নাম জয়কুমার, এল জয়ন্তকুমার, লেটপাও হাওকিপ অমদি কায়িসি য়াওনা ৱারী শানখিবা অদুদা ইস্যুশিং পুথোক্তুনা য়াম্না কুপ্না খন্নখি। বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংগা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকপগা লোয়নননা এন পি পিগী এম এল এশিংনা ষ্টেটসিদা পাল্লিবা লৈঙাকসিদা মখা তানা সপোর্ট তৌনবা লেপ্লখ্রে।

এন পি পিনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা মখা তানা সপোর্ট তৌগনি। মণিপুরগী ওইবা হীরমশিংদা বি জে পিগী লিদরশিংনসু হকথেংননা মীৎয়েং চঙগনি হায়বা ৱাফম থম্লকখ্রে। এন পি পিগী এম এল এ ৪মক মিনিষ্টর ওইনা লৈখিগনি। গভর্ণরদসু লৈঙাক অসিদা শৌগৎপগী লেট্টর ওফ সপোর্ট পীশিখ্রবনি। এন পি পিগী এম এল এ ৪গী ওইবা ৱাফমশিং বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংনা য়াম্না কুপ্না তাবগা লোয়নননা ইস্যু অসি মখোয়না য়াম্না নীংথিনা মীৎয়েং চঙগনি হায়বা ৱাফম থম্লকখি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

এয়রপোর্টতগী লাক্লগা রাজ ভবনদা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা অমদি কোনরাদ সংমাগা লোয়নননা এন পি পিগী এম এল এ ৪না মণিপুরগী গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাগা উনদুনা ৱারী শানখি। উনখিবা অদুদা এন পি পিগী মায়কৈদগী লৈঙাকসিদা শৌগৎলে হায়বগী লেট্টর ওফ সপোর্ট গভর্ণরদা পীশিনখি। দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ৱাই জয়কুমারনা চেরোল অদু খুৎশিন্নখি। তুংদা হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা অমদি কোনরাদ সংমানা চীফ মিনিষ্টর বঙ্গলোদা চৎতুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগসু উনখি। এন পি পিগী এম এল এ ৪দি চীফ মিনিষ্টর উনবা অদুদা য়াওখিদে। এম এল এ ৪মক হৌজিক পুন্না লৈরি হায়নসু মখা তারি।

## করম্বা শাফুনা এন পি পিগী এম এল এ ৪বু হুম্লগা পুরকখিবনো?

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্তগী মিনিষ্টর ফম থাদোক্লগা কোংগ্রেসকা পুন্দুনা সেক্যুলর প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট (এস পি এফ) শেন্দ্বা য়াওরুরবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী এম এল এ ৪না অমুক হন্না লৈঙাক্তা শৌগৎনবা চেরোল পীশিনখিবা অসি করি করম্বা শাফুনা হুমদুনা পুরকখিবনো হায়না হংনরক্লি।

হীরমসিগা মরী লৈননা পোলিটিকেলগী লমদা নৈনবা মীওই খরনা পাউচে অসিদা হায়খি, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা পেন্দবা অমদি য়ানিংদবা কয়া লৈরে হায়দুনা এন পি পিগী এম এল এ ৪ হায়বদি ৱাই জয়কুমার, এল জয়ন্তকুমার, লেটপাও হাওকিপ অমসুং এন কাইসি হৌখিবা জুন ১৭তা মিনিষ্টর ফমদগী রিজাইন তৌদুনা লৈঙাক শৌগৎপা তোকখিবনি। অদুগা এম এল এ ৪ অসি কোংগ্রেসকী কেম্পতা লৈখিবনি। লৈঙাক অসিদা শৌগৎপা তোকপগী লেপখিবা ফিরেপ হোংবা লৈতে হায়না এম এল এ, এল জয়ন্তকুমারনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। অদুবু নোর্থ ইষ্টতা বি জে পিগী পোলিটিকেল আর্কিটেকচরনি হায়নরিবা নেদাগী কনভেনর হেমন্তা বিস্বা অমসুং মেঘলয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোরনাদ সংমানা পোলিটিকেলগী চরাংনবা অসি লোইশিন্নবা হৌখিবা জুন ২৪দা অকনবা খুৎ থাবা হৌরকখিবনি। নুমিৎ অসিদা এন পি পিগী এম এল এ ৪বু দিল্লিদা পুখ্রগা ঙরাং বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদ্দা উনহল্লবা মতুংদা ঙসি ইম্ফালদা অমুক পুরক্তুনা লৈঙাক অসিদা অমুক হন্না শৌগৎপগী চেরোল গভর্ণরদা পীশিনখিবনি। লোকদাউন মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন কেবিনেট পাকথোক চাওথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি। য়ুনিয়ন কেবিনেট অসিদা কোরনাদ সংমানা মহাক্কী মচলনুপী অগাথা কে সংমাবু য়াওহন্ননবা হোৎনরকপদা খুরৌ থাংদনবা হায়দুনা এন পি পিগী এম এল এ ৪ অসি লৈঙাক অসিদা অমুক হন্না শৌগৎহন্ননবা অকনবা শাফু পীরমগনি খল্লি হায়নসু পোলিটিকেলগী লমদা নৈনরিবা মীওইশিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

## কোভিদ-১৯গী মীদিয়া সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : নেসনল হেল্থ মিসন অমদি দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেস মণিপুরনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীদিয়া সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপ অমা লম্ফেলদা লৈবা ইমা হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থকী এদিসনল দিরেক্টর ডা. সশীকুমার মঙাংনা প্রিসাইদ তৌখি। ডা. এল সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী রিজল্টকী ঙাংনরিবা কয়াসি রিমসকী ওইনদি পেন্দিং লৈতে। হেক থুংলবগা নোংঙানবদা টেষ্ট তৌনবা লৌবনি। নুমীৎ নীনি খক্তা চঙবনি। কন্টেনমেন্ট জোন হায়বসি চঙথোক-চঙশিন তৌবা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মণিপুরী ৭০ য়াওনা এন ঈগী মীওই ১৫০ কিরগিস্থানদগী পুরক্লগনি

ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ (এজেন্সী): জুন ৩০দা মণিপুরী ৭০ য়াওনা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিং কিরগিস্থানদগী এরোপ্লেনদা পুরক্কদৌরি।

বন্দে ভারত মিসনগী অহুমশুবা তাঙ্কক্তা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট ৬ য়াওনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদগী পন্দুনা লৈরকখিবা মীওই ১৫০ এরোপ্লেনদা হোঞ্জিলক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল পল্লদুনা ত্রিপুরাগী লো এন্দ এদ্যুকেসন মিনিষ্টর রতন লাল নাথনা হায়খি, কিরগিস্থানদগী পায়রক্কদবা প্লেন অদু জুন ৩০দা গুৱাহাটিকী লোকপ্রিয়া গোপিনাথ বোর্দোলোই ইন্টর্নেসনল এয়রপোর্টতা থুংলগনি। নুমিৎ অদুদা থুংলগদবা মীওইশিংগী মনুংদা মণিপুরী ৭০, অসামদগী ৬৭, অরুনাচল প্রদেশতগী ৮, ত্রিপুরাদগী ২, মিজোরামদগী ২

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কোরোনাভাইরস : মণিপুরগী কেস মশিং ১০০০ হেনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): কোরোনাভাইরসকী অনৌবা কেস ৮৬ হেনগৎলক্তুনা মণিপুরগী অপুনবা কেস মশিং ১০০০ হেনখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী এদিস্নেল দিরেক্টর অমসুং স্পোক্সপার্সন ডা. খোইরোম সশিকুমার মঙাংনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭ ফাওবগী রিপোর্টতা য়ুম্ফম ওইরগা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা নুপা ৫৩ অমসুং নুপী ৩৩ পুন্না মীওই ৮৬ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে। মীওইশিং অসিগী মনুংদা ৭৮না রিমসকী ভি আর দি এল অমসুং ৮না জেনিমসকী ভি আর দি এলদা কনফার্ম তৌখিবনি।

নৌনা পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতগী ২, চুরাচান্দপুরদগী ২, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩, ককচিংদগী ৪, কামজোংদগী ২, কাংপোকপীদগী ১, সেনাপতিদগী ২, তমেংলোংদগী ৫৫, থৌবালদগী ২ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী ১২ য়াওরি। মখোয় খুদিংমক লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি হায়রি।

ষ্টেট অসিদা নৌনা হেনগৎলকখিবা কেস ৮৬ অসি থারগা অপুনবা কেস মশিং ১০৫৬ শুরে। লায়না অসিনা নাবদগী চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনরগা ঈরাং থোকহনবা মতম নত্তে : অৱাংবৌ

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনরগা ঈরাং থোকহনবা মতম নত্তে হায়না এন পি এফ মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

লাঙ্গোল তরুংদা পাউমীশিংগা উনবদা অৱাংবৌনা হায়খি, ঐখোয় পোৎলুমদি পুমিন্নরগা চাবা মতমদা ঐখোয়গী পুখম য়াওদবা হায়বসি চুমদে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ ঙাকথোক্লবা হোৎনরিঙৈদা পোলিটিকেল ইনষ্টেবিলিটি লাকপসি নুংঙাইতবা ফাওই। লৈঙাক্না খুৎশম্নরগা মীয়ামগীদমক হোৎনগদবা মতমনি। লৈঙাক থুগায়নবা হোৎনবা নুংঙাইতবা ফাওই। এম এল এ ৬০ পুল্লগা কোরোনাভাইরস থেংনফম

থোকপনি। এম এল এ খক্তা নত্তনা মীয়াম্নসু লৈঙাক্তা মতেং পীরগা মীয়াম কন্নবা হোৎনগদবনি। অৱাবা মতমদা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবা তৌফম থোক্তে। বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি এন পি এফনা সপোর্ট

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## সী বি আইনা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরম্বা হান্নগী চীফ সেক্রেটরী ও নবকিশ্বর ৱাহং পাউহং চথখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): লুপা ক্রোর ৩৩২ লান্না শীজিন্নখি হায়বগী কেসকা মরী লৈননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবিবু ৱাহং পাউহং চথখ্রবা মতুংদা ঙসি সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি (এম দি এস)কী চ্যেরমেন ওইরম্বা হান্নগী চীফ সেক্রেটরী ও নবকিশ্বর মচিন হংখ্রে।

লৈবাক পোকপা নুমিৎতা থুংলখিবা সী বি আইগী জোইন্ট দিরেক্টর এন এম সিংহনা লুচিংবা টিম অমনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অমদি অতৈ মীওই খরা ৱাহং পাউহং চথখিবনি। ইম্ফালগী লম্ফেলপাৎতা লৈবা সী বি আইগী ওফিসতা ঙসি

অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবদা হান্নগী আই এ এস ওফিসার নবকিশ্বরবু ৱাহং পাউহং চথখিবগা লোয়নননা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা মহাক্না সেঙ্কসন তৌখিবা প্রোজেক্টশিং অমসুং ফন্দ থাদখিবগী অকুপ্পা ৱারোলশিং হংখি হায়রি।

সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না কেস অসিদা চেন্নবনি হায়বা অতৈ মীওই খরসু সী বি আইনা ৱাহং পাউহংবগী থবক চথবা হৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০০৯গী জুনদগী কুমজা ২০১৭কী জুলাই ফাওবা এম দি এসকী চ্যেরমেন ওইরিঙৈদা ও নবকিশ্বরনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিগা লৌতুনরগা এম দি এসতা থাদরকপা লুপা ক্রোর ৫১৮গী মনুংদা লুপা ক্রোর ৩৩২ অরানবা মওংদা শীজিন্নখি হায়বগী মতাংদা থিগৎতুনা লাকখিবনি।

কেস অসিগা মরী লৈননা সী বি আইনা ফাইল তৌরকখিবা এফ আই আরদা এম দি এসকী

...মখা লামায় ৩ কলম ২

HL Poll

Q: Political crisisna maram oiraga ngaihak leitana chatthok-chatshil touriba MLA sing quarantine toupham thoke khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Leingak pairibasingna COVID-19 gi laichat laksinnanaba hotnabagi mahutta pham munnabaromda henna thawai yaosinduna leire khanbra?

Yes 90% No 10%

অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৬.৫৯ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৯.৪৭ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৩.২৩ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৭
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

### অস! লোইরেহে!

- লদু ইনজরগে য়া কাথোকও, হো ওইনচাউবাও?

- ꯂꯗꯨ ꯏꯅꯖꯔꯒꯦ ꯌꯥ ꯀꯥꯊꯣꯛꯀꯎ, ꯍꯣ, ꯑꯣꯏꯅꯆꯥꯎꯕꯥꯎ?



- হা হা হা হা ... থাগৎচরি !

- ꯍꯥ ꯍꯥ ꯍꯥ ꯍꯥ ... ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ!

## শুরচন্দ্র অমসুং রোবিন্দ্রোনা মখোয়গী দিসক্কালিফিকেসন ওর্দর অমুক্কসু হায়কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরক্লে

### এম এল এ পাওনম ব্রোজেনগী দিসক্কালিফিকেসন পিটিসনশিং দিস্পোজ তৌহনবিনবসু হায়কোর্টতা ৱাকৎলক্লে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): থাসিগী ১৯দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী সিট অমগী মীখল নোংমা ৱাৎলিঙৈ থাসিগী ১৮দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্লীগী স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা হাউস অসিগী মেম্বরশিং ওইহনখিদ্রবা (দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা) কুম্বী, লম্লাই, ককচিং অমসুং থাঙ্গগী এম এল এশিংনা ইলেক্সন নুমিৎ অদুমক্তদা হায়কোর্টতা মখোয়গী দিসক্কালিফিকেসন ওর্দরশিংদু চেলেঞ্জ তৌবা পিটিসনশিং ফাইল তৌরক্লবগী মতুংদা ককচিং অমসুং থাঙ্গগী এম এল এ ওইরম্বা ৱাই শুরচন্দ্র অমসুং টি রোবিন্দ্রোনা মখোয়বু মেম্বরশিং ওইহন্দবগী ওর্দরশিং অদুবু শীংনবা অনীশুবা পিটিসনশিং ফাইল তৌরকখ্রে।

স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা টেন্থ সেদ্যুলগী মরী লৈনবা প্রোভিজনশিংগী মখাদা থাসিগী ১৮দা এ সী মরিগী এম এল এশিংবু দিসক্কালিফাই তৌবগী মায়োক্তা মথংগী নুমিৎতা মসিবু হায়কোর্ট ওফ মণিপুরদা অহানবা ওইনা চেলেঞ্জ তৌরকখিবনি। কেসশিং অসি নুমিৎতুদা জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী বেঞ্চতা লৌখৎতুনা খন্ননবগীদমক সপ্লিমেন্টরি কোজ লিষ্ট অমা ফাউবা থোক্তুনা মেন্সন তৌরুরবনি। অদুবু পিটিস্নরশিংগী পিটিসনদা মখোয়বু দিসক্কালিফাই তৌবগী ওর্দর অদুগী কোপিশিং হাপ্লক্লবা দিরেক্সন পীরকপদগী হাপ্ননবা হোৎনরিঙৈদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক মনুংগী হায়কোর্টকী কোর্ট আৱর নুংথিল পুং ১দা লোয়শিনখিবনি। অদুম ওইনমক মখা তানা খন্ননবা চীফ জষ্টিসতগী পর্মিসন লৌননবা পাউ ফাউনরিঙৈদা নুমিৎ তাশিল্লকখিবদগী নুমিত্তুদা দিসক্কালিফিকেসনগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা পিটিসন অমত্তা খন্নখিদবনি।

চৈরকসিদা দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এম এল এ মরিগী মনুংদগী ককচিংগী ৱাই শুরচন্দ্র অমসুং থাঙ্গগী টি রোবিন্দ্রোনা মখোয়বু এসেম্লিগী মেম্বর ওইহনখিদবগী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা অনীরকশুবা ওইনা সিভিল

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## আই এম সীদা ইশু তৌরুবা শো কোজ নোটিস কোর্টনা চৎনহন্দনা থমখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরিএট মাহুদ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী কম্মিস্নার (মাহুদ) মোহম্মদ য়াসর অহমদ খাননা মরম খরা পীরদুনা নুমিৎ তরেৎনিগী মনুংদা এক্সপ্লেনেসন তৌরক্তুবদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)বু সসপেন্সন তৌনবগী চপ-চাবা থবকশিং এক্স পার্টে ওইনা লৌখৎলগনি হায়দুনা ইশু তৌরুবা শো কোজ নোটিস অমা হায়কোর্টনা মরক্কী ওইবা ওর্দর অমা পীরদুনা চৎনহন্দনা থমখ্রে।

হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী ওর্দর অসি ঙসি জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী বেঞ্চনা রিট পীটিসন (সিভিল) নম্বর ৩১৫ ওফ ২০২০ লৌখৎতুনা খন্নরগা পীখিবনি।

পিটিসন অসিগী পিটিস্নরশিংনা কোর্পোরেসন অসিগী কোর্পোরেটরশিং ওইরিবা ও রোমিও (৫৭), অপোকপা ও ব্রজমনি, পিশুম নিঙোম লৈকায় (ৱার্দ নম্বর-১৩), সুজাতা ফাওমৈ (৪৭), মপুরোইবা চুজাংলুং ফাওমৈ, মেজরখুল (ৱার্দ নম্বর-২৫), পোৎশংবম প্রোমিলা (৫০), মপুরোইবা পি শ্রীকান্তা, ক্বাকৈথেল থোকচোম লৈকায় (ৱার্দ নম্বর-১২), লাইশ্রম অরেনকুমার (৪৭), অপোকপা এল ইবোই, নাগামপাল শীংজুবুং লৈরক (ৱার্দ নম্বর-৪), মাইবম দেবলা (৫৯), মপুরোইবা পি শরত, শগোলবন্দ মৈনো লৈরক (ৱার্দ নম্বর-৮), এম জয়চন্দ্র (৬৬), অপোকপা লৈখিদ্রবা এম বিরচন্দ্র, কৈশামথোং তোপ লৈরক (ৱার্দ নম্বর-১১), থোকচোম পুর্নচন্দ্র (৬৭),

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## সী বি এস ঈগী ৱাৎহৌরিবা ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্বকী এগজাম পাঙথোক্লরোই

ন্যু দিল্লি, জুন ২৫ (এজেন্সী): জুলাই থাদা পাঙথোক্কনি হায়না থৌরাং তৌরম্বা সী বি এস ঈ অমসুং আই সী এস ঈগী ক্লাস টেন অমসুং ত্বেল্বকী বোর্দ এগজাম কেন্সেল তৌরে হায়না সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোকখ্রে।

সী বি এস ঈগী ওইনা ক্লাস ত্বেল্বকী মহৈরোয়শিংনা মতম খরা লৈরগা পাঙথোক্কদবা এগজামদা শরুক য়ানবগী খুদোংচবা ফংগনি। নত্রগনা ইন্টর্নেল এগজাম অহুমগী পর্ফোমেন্স য়েংলগা মার্ক পীগনি। ক্লাস টেনগী ওইনদি অমুক হন্না এগজাম পাঙথোকপগী খুদোংচাবা লৈররোই। আই সী এস ঈগী ওইনসু ক্লাস টেন অমদি ক্লাস ত্বেল্বকী এগজাম অমুক হন্না পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলরোই হায়রি।

সেন্টর অমসুং সী বি এস ঈগী মায়কৈদা লেপখিবা সোলিসিটর জেনরেল টুসার মেহতানা ৱাফম অসি সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস এ এম খনৱিলকরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা পুখৎখিবনি। সোলিসিটর জেনরেলনা হায়খি, মদুদি ক্লাস ত্বেল্বকী মহৈরোয়শিংদা অমুক হন্না পাঙথোক্কদবা এগজামদা শরুক য়াবা নত্রগনা হান্নগী পর্ফোমেন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা মার্ক পীবা হায়বা ওপসন অনী ফংহল্লে। সী বি এস ঈগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিল্লবা মতমদা এগজাম পাঙথোক্কনি অমসুং ক্লাস টেনগী এগজাম পাঙথোক্লরোই হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

কোর্টনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা সী বি এস ঈনা হায়খি, মদুদি ওগষ্ট থাগী তঙ্খাই চল্লকপদা

...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## স্মার্ট ফোন লৈতবদগী মহৈরোয় কয়া ওনলাইন ক্লাস শরুক য়াবা ঙমদনা লৈরি

**ডা. খাইদেম অথৌবা**

ইম্ফাল, জুন ২৫ (ঐচ এন এস) : লোকদাউন লৈখিবদগী ষ্টেট অসিদা স্কুল খুদিংমক্তা ওনলাইন ক্লাস চথনরবসু স্মার্ট ফোন লৈতবদগী মহৈরোয় কয়াদি ওনলাইন ক্লাস শরুক য়াবা ঙমদনা লৈরি।

স্কুলশিংনা ওনলাইন ক্লাস তৌজরবসু মহৈরোয় খুদিংমক্না মসিগী কান্নবা মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রে হায়বগী ৱাফম কয়া লাকপদগী পাউচে অসিনা হীরমসিগা মরী লৈননা স্কুল খরগী প্রিন্সিপালশিংগা উনবদা সী সী হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল সিনাম ইন্দ্রানিনা হায়খি, মহৈরোয় কয়াদি স্মার্ট ফোন লৈতবনা ওনলাইন ক্লাসতা শরুক য়াবা ঙমদ্রি। মহৈরোয়শিংনা মোবাইল ফোন লৈনবা হায়রকপদগী শেল পায়জদবা মমা-মপাশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। ওনলাইন ক্লাস মায়পাক্না চৎথনবগীদমক স্মার্ট ফোন লৈজদবা অঙাংশিংদা স্মার্ট ফোন পীনবগী অখন্নবা থৌরাং লৈঙাক্না পায়খৎহন্নিংই।

স্মার্ট ফোন খক লৈবা নত্তনা নেট দাটাসু পীবিবগী মথৌ তাই। অমরোমদা স্মার্ট ফোন লৈবা ঙমদবগী ৱাফম তোঙান্না থমখ্রগা অতোপ্পা মরম কয়ানা স্কুলশিংদা ওনলাইন ক্লাস তৌরিবশিং অসি য়াম্না চাওনা মায়পাক্লা পাঙথোকপা ঙমদ্রি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি স্মার্ট ফোন অমসুং লেপটোপ লৈবা অঙাংশিং ফাওবদা ওনলাইন ক্লাসতা শরুক য়াবগী চাং য়াম্না নেপ্লি। শুপ্নগী থৱায় য়াওজবা পেরেন্ট খরা নত্তনা মচাশিংবু ওনলাইন ক্লাস য়াওহন্নবা হোৎনগী মতৌ উবা ফংদে। লোয়নননা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ফোন অমা ফাওবা লৈতবা অঙাংশিংসু য়াওরি।

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

সিনাম ইন্দ্রানি

ডা. ঙমখোহাউ হাউকিপ

খ্বাইরাকপম নিলিমা

HL-C/170/3-30

### ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিগা মরী লৈননা হুইয়েন লানপাউনা খুদোংচাবা খরা মীয়ামদা পীজরি।

- লুপা ৫০০/- দগী ১০,০০০/- গী মনুংদা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা মাস্ক, হেন্দ গ্লোব অমদি হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবা পীজগনি।
- লুপা ১০,০০০/- গী মথক্তা লৈবা এদভর্টিজমেন্ট হাপ্পীরকপা মীওইশিংদা পি পি ঈ কিট অমমম পীজগনি।

**NB:** ওফর অসি জুন ৩০ ফাওবা চৎনগনি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫